চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

ঙসিগী অঙৈং–অশা : শাবগী চাং ঃ ২৮° ঈংবগী চাং ঃ ২০° | নুংশিৎ শিৎপগী চাংঃ পুংদা কিলোমিটর ৮

IMPHAL, SUNDAY 26 AUGUST, 2018
নোংমাইজিং, থৱানগী ১৫নি (পুর্ণিমা) পানবা

e-mail: sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 271 Page : 8 | Price:Rs 3.60

SONY Special
KLV-24P413D ₹15,900 = ₹14,290
KLV-32R202F ₹25,900 = ₹22,990
KLV-32R302F ₹28,900 = ₹25,990
KLV-32R422F ₹32,900 = ₹29,990
KLV-32W672F ₹39,900 = ₹36,990
KLV-40R252F ₹43,900 = ₹39,990
KLV-40R352F ₹47,900 = ₹43,990
KLV-43W662F ₹56,900 = ₹52,990
KLV-50W662F ₹73,900 = ₹69,990
SONY HOUSE VIDEOCON HOUSE PAONA BAZAR, IMPHAL

SUNDAY SPL. 9 AM TO 5 PM
INTEX
WASHING MACHINE
6.2 KG ₹9050 = ₹8000
7.2 KG ₹10000 = ₹9200
7.6 KG ₹10550 = ₹9600
8KG ₹11500 = ₹10200
REFRIGERATOR
180 L 1902GT ₹13590 = ₹11500
215 LTR ₹19150 = ₹12700
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
43' LED FULL HD ₹41990 = ₹28000
40' LED HD ₹32990 = ₹22500
32' LED (TV) ₹18990 = ₹13500
55' SMART LED 4K
₹ 49,999/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.



*ষ্টেট অসিগী অহানবা ওইনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা অহলখক্তগী লায়েংনবা ৱার্দ অমা ঙরাং হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হঙখনলিয়ানগা লোয়ননা হাংদোকখিবা*

*মীয়ামগী নুমিৎ অমসুং চীং লূচিংবশিংগী নুমিৎ পুন্না ঙরাং চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা মীয়ামগী ৱাকৎ তাখিবা*



## ৱাখলগী চিঙ্গাক

*'হঞ্জিন হঞ্জিন তুরবা মীদুনা ইতু তুদ্রি মীদগী হেন্না কল্লি'*

## বোম লৈরম্লে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ঃ

সুগুনু পুলিসকী মনুং চনবা ৩৯শুবা এআর আউট পোষ্ট মনাক চীংগী চীংখোঙ খুলমী বজারদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্বদগী ঙসি অয়ুক পুং ৭ রোম তাবদা সুগুনু পুলিসকী টিম অমনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

বোম থম্লম্বা অদু কুকি চীফস এসোসিয়েসন গুনপি ব্লোক, কুকি ৱুমেন হ্যুমেন রাইটস গুনপি ব্লোক অমসুং কেসএসও গুনপি ব্লোক্কা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

অসিগুম্বা থবক মতুংদা অমুক হন্না তৌবিদনবসু অকোয়বদা লৈবা খুঞ্জাশিং অমসুং সিএসওশিংনা মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌরি।

## দ্রগকা কোন্ননা মীওই অমা ফারে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ঃ

ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবা মতমদা তেংনৌপলগী এসপি এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা মোরে পুলিসকী কম্মান্দো দিএসপি থোমাস থোকচোমগা লোয়ননা কম্মান্দো ওসি ৱাই সক্তি সেননা লুচিংবা কম্মান্দো টিম অমনা দ্রগ করবার তৌবা নুপা অমা হিরোইন নম্বর ৪ গ্রাম ১৫গা কোন্ননা প্রেম নগর মোরে ৱার্দ নম্বর ৪দগী ফারে।

ফারবা মীওই অদুগী মমিং লেটখোথাং হাওকিপ(৫৬) কৌই। মহাক সৌবো নম্বর ১০ তম্মু ম্যানমারদগী লৈখিদ্রবা তৌঙ্গৈ হাওকিপকী মচানুপানি। মহাক্কী মথক্তা মোরে পিএসনা কেস অমসু লৌখৎলে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৩ দা

## লোইরেদনা




## হেক্তা হায়জিনবা

### 'অশিংবা'

*ইন্দিয়া সরকার শিংইকো*
*কুস্কে শিনবা হৈদকো*
*ইন্দিয়া সরকার শিংইকো*
*ফ্রেমৱার্ক থক্তা লংশিল্লি*
*অমদা অমা হায়জিল্লি*
*অমদা অমা তমশিল্লি*
*উনবা অমত্তা য়াহন্দে*
*অউ অউবা লাউনহল্লি*
*অফং অফংবা কিনহল্লি*
*নুংঙাইনা কুস্কে য়েংথোকই*
*ইন্দিয়া সরকার শিংইকো*
*পুন্না খক লৈহন্দে*
*মচোই মচোই তাহল্লি*
*নিরগা চাবা তমহল্লি*
*হুঞ্জিল্লগা লাক্লবা তমহল্লি*
*নুংঙাইনা কুস্কে য়েংথোকই*
*ইন্দিয়া সরকার শিংইকো*

# অনীরকশুবা ষ্টেট লেবেল য়ুথ কনভেন্সন রাজ ভাবনদা পাঙথোকখ্রে দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী মায়োক্তা নহারোলশিংনা লেপকদবনি ঃ গভর্ণর

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ

এনগেজিং য়ং পিপল ইন নেসন বিল্ডিং হায়বা থিমদা সার্ভিস ব্রিজ এজেন্সি ইম্ফালনা শীন্দুনা অনীরকশুবা ষ্টেট লেবেল য়ুথ কনভেন্সন ২০১৮ ঙসি রাজ ভাবন ইম্ফালগী দরবার হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কনভেন্সন অদু হৌদোকপগী থৌরমদা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুল্লা অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ সিংহনা মথং শীংনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং থৌরম মপু ওইখি।



গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুল্লানা য়ুথ কনভেন্সন অদু হৌদোক্লদুনা হায়, লমদম অসিদা দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী মায়োক্তা নহারোলশিংনা লেপকদবনি। য়ুথ কনভেন্স অসিনা ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা ইশু কয়াদা নহারোলশিংনা খন্ন–নৈনবগী অমসুং খঙমিন্নবগী তাঞ্জা অমা শোয়দনা পীগনি অমদি সিঙ্গল প্লেটফোর্ম অমা শেম্বদসু চাওনা মতেং ওইগনি। ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফমদা অসিগুম্বা কনভেন্সন পাঙথোক্তুনা নহারোলশিংগী ওইবা অচুম্বা ৱাখল্লোল, নুংশিনবা ইং তপ্পা অমগা অমগা মৎ তিন্ননা লোয়নবা, থবক শুমিন্নবগী ৱাখল্লোল শনে দাকপদসু হেন্না মতেং ওইগনি।

ষ্টেট সরকারনা ২০১১দা নহারোলশিংগী তোঙান–তোঙানবা এক্টিভিটিজ কয়াদা মপুং ওইবা মীৎয়েং থল্লগা মণিপুর ষ্টেট য়ুথ পোলিসি অমা শেল্লম্বসি অপেনবা পোকই মখা লমায় ৬তা

# অরুবা ৱাফমদা মীয়ামগী অপাম্বা য়েংদুনা থবক পায়খৎকনি ঃ চীফ মিনিষ্টর

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ

ষ্টেটকী ওইবা ইশু কয়াদা সরকারনা লন্নাই ওইনা নৎত্রগা পার্টিগী ৱাখল্লোনদা থবক তৌরোই। মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা য়েংদুনা পুন্না ৱারেপ লৌমিন্নদুনা থবক পায়খৎকনি, মসিগীদমক তোঙান–তোঙানবা কাংলুপকী লুচিংবা অমসুং লন্নাই মীওইশিংগা ৱা তান্নদুনা মখোয়গী মত লৌবসু হৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা মীয়ামগী নুমিৎ অমসুং চীং লুচিংবশিংগী নুমিৎ পুন্না পাঙথোকপগা লোয়ননা পাউমীশিংগা নাকলদা উন্নবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ভারত সরকার অমসুং এনএসসিএন (আইএম)গী মরক্তা শান্তিগী ৱারী শান্নরিবা অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি অতৈ লুচিংবদা ৱাফম কয়া খঙহনখিবা লৈখ্রে। ৱারী শান্নরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংগী ঙমখে শোক্লরোই, কাইহন্দনা থমগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবনি। ষ্টেট এসেমব্লীগী স্পিসিয়েল সেসন ফমগনি তৌরম্বা অদু তোকখিবগী মতাংদা মীয়াম্না নীংবা কাইনিংঙাই করিসু লৈতে, করিগুম্বা দরকার লাক্লবদি এসেমব্লী সেসন হেক্তা ফম্নবা সরকারনা থৌরাং তৌদুনা লৈরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হন্দক চত্থখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু সেসনদা নাগা ইশুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা বিল অমা পুথোক্কদ্রা হায়না মীপায়বা লৈরম্বদগী স্পিসিয়েল সেসন ফম্নবা মতম লেপখিবনি। অদুবু বিল অদুদি পুথোকখিদ্রে। অদুনা ষ্টেট এসেমব্লী সেসন অদুসু তোক্লবা সরকারনা লেপখিবনি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী পার্লিয়ামেন্টরী ষ্টেন্দিং কমিতিগী রিপোর্টতা তোঙান–তোঙানবা হিরমদা রিকমেন্ট তৌবা হায়বসি রুলগী মতুং ইন্না য়াই। হায়রিবা রিপোর্ট অদুনা রিকমেন্ট তৌরিবশিং অদু হেক্তা চৎনরগনি নৎত্রগা চৎনরোই হায়বদি লৈতে। অদুবু চেকশিন্না শেন্নদবদি য়াদে।

ঙসি মীয়ামগী নুমিৎ অমসুং চীং লুচিংবশিংগী নুমিৎ পুন্না পাঙথোকখিবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা অয়ুক পুং ৯দগী নুংথিল পুং ২.১৫ ফাওবদা মীওই ১৫০০ রোম উন্নখি অমসুং মখোয়গী ৱাকৎ ৫০০ তাখি হায়রি।

# স্পিসিয়েল জজ (পোক্সো)দা মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীগদবনি ঃ লূপশিং

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ

স্পিসিয়েল জজ (পোক্সো) এ নৌতুনেশ্বরি দেবীদা মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীগদবনি নৎত্রগনা সেনাপতিদগী অতোপ্পা মফম অমদা ট্রান্সফর তৌগদবনি হায়না তোঙান–তোঙানবা লূপশিংনা সরকার অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিগী পূক্নিং চীংশিল্লি।

ৱুমেন সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন কাংলুপকী সেক্রেটরী মেমচা অঙোম, ৱুমেন ৱেলফিয়র দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (নিঙোম্বম)গী সেক্রেটরী এন মনোরামা দেবী, ৱেষ্টর্ন ৱুমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন ঙাইরাংবমগী সেক্রেটরী ঐচ ইবেতোম্বী দেবী, সোসিয়েল এন্দ কলচরেল এদভান্সমেন্ট ফাউন্দেসন খুরাইগী প্রসিদেন্ট টিঐচ মুখরা দেবী অমদি লমজিংবা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ কোওপরেটিব সোসাইটি কিয়ামগৈগী প্রসিদেন্ট ঐচ শান্তিবালা দেবীনা পুন্না মখা লমায় ৬তা

# অহলশিংখক্তগী লায়েংনবা ৱার্দ চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা হাংদোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ ষ্টেট অসিগী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মশাগী চহি ৬০ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈরবা অহল ওইশিল্লকপগী লায়না অমসুং মখল কয়াগী অনাবশিং লায়েংনবা অহল ওইরবশিং খক্তগী ওইবা ক্লিনিক অমসুং ফমুং তরা লৈবা জেরিয়াত্রিক ৱার্দ অমা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিদা দাইগনোষ্টিক সেন্টর, এক্স রে মেছিন, সি আর্ম মেছিন অমসুং দেন্টেল চেয়ার য়াওনা হোস্পিটাল অসিগী অনৌবা ফেসিলিতি কয়া ঙসি হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার অমসুং এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হঙ্খানলিয়াননা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শিন্নখ্রে। মসিগা লোয়ননা মিনিষ্টরনা লৈশং অমসুং মিসন কম্পাউন্দ চুরাচান্দপুরদা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর অমমমসু শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

ঙসি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা দাইগনোষ্টিক্স অমসুং অহল ওইরবশিংগী ক্লিনিক হাংদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা হেল্থ মিনিষ্টরনা হায়, মশাগী চহি ৬০ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈরিবা অহলশিংনা চহিনা মরম ওইদুনা মশাদা অনাবা মখল কয়া লাকপা, হার্টকী প্রোব্লেম লাকপা, অলজাইমর, দিমেন্সিয়া, অর্থ্রাইটিস, শোর হোনবা ৱাবনচিংবা কয়া অসিদা অখন্নবা কেয়ার পীনবগীদমক ঙসিগী জেরিয়াত্রিক মখা লমায় ৬তা

# সরকারনা লৌমীশিংবু ওৎপা কন্দেম তৌই ঃ সিপিআই

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ

ষ্টেট সরকারদা চীং অমসুং তমগী লৌমী মীয়াম্বু ওৎ নৈবিরিবা অসিদা সিপিআই মণিপুর কাউন্সিলনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

সিপিআই ষ্টেট কাউন্সিলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী জেকে লুৱাংনা ফোঙদোরকখিবদি ঙসিমক লৌমী লিশিং কয়ানা সঞ্জেম্থোং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী এগ্রি ওফিস মনাক্তা লৈবা হারগী ষ্টোরদা য়ুরিয়া ফঙনবা থোমজিন্নখি। অহিং য়ারেক্লগা হার ফঙনবা ঙাইবসু য়াওরি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা অধার কার্দনচিংবা পীশিনখ্রবসু হার লৈতে হায়না পীরক্তি। এগ্রিকলচর দাইরেক্টোরেটতা লৌমীশিংবু ওফিসিয়েলশিংনা থোক তৌদুনা নোংজু নুংশা মরক্তা অৱাবা খাঙহনখি। হার ফঙবদি লাইরদনা লৌমীশিংবু পুলিসনা তাথি তাওইনা তাম্থোরকখি।

চেরোল অমদা মহাক্না মখা তানা হায়রিবদি লম্ফেলগী হার গোদাউনসু অরাপ্পা চীং মখা লমায় ৬তা

# ৱারোইশিন পুরক্রবদি টিচর এসোসিয়েসনসু খোঙজং য়াওশিল্লক্কদৌরি

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ টিচর এসোসিয়েসন জেনিমসগী ৱারেপ থবক্তা ওম্থোকপীরক্তুবা অমসুং সেনিয়ার রেসিদেন্টশিংগী ৱাফম থবক্তা ওম্থোকপীরক্তুবদি টিচর এসোসিয়েসন জেনিমসসু থবক লেপ্পগী খোঙজংদা য়াওশিনলক্কদৌরি।

ঙসি টিচর এসোসিয়েসন জেনিমসকী মায়কৈদগী জেনিমস সোসাইতিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অমদা হৌখিবা আগষ্ট ২১ দগী থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লিবা জেনিমসকী সেনিয়ার রেসিদেন্টশিং, দোমোন্সত্রেটরশিং, ট্যুটরশিংগী দিমান্দ অসি ঙসি ফাওবা খন্নবীনবা খোঙথাং অমা ফাওবা উবা ফংদ্রি।

মখা লমায় ৬তা

# সলুংফমদা ওল্ড এজ হোম অমা হাংদোকখ্রে

থৌবাল, আগষ্ট ২৫ ঃ

ভারত সরকারগী সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী মখাদা মণিপুর সরকারগী সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েংগা লোয়ননা রুরেল পিপলস দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (আরপিটিও) হৈরোক পার্ট–২না চল্লাইগদবা ওল্ড এজ হোম অমা ঙসি হৈরোক কেন্দ্রগী মনুং চনবা সলুংফম কাংয়াম্বেম লাইকোল ময়াদা সোসিয়েল ৱেলফিয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা হাংদোকখ্রে।



থৌরম অদুদা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা হায়, সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্টকী মখাদা ওল্ড এজ হোম (অহল ওইরবশিংগী লৈফম) কয়া লিংখৎতুনা অহল ওইরবশিংগী পোত্থাফম পীরি। ঙসি হাংদোক্লিবা মখা লমায় ৬তা

# কচাই চম্প্রা ফেষ্টিভেল ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্লগনিঃ শ্যামকুমার

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ হান্না দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা পাঙথোক্লম্বা কচাই লেমন ফেষ্টিভেল মথং চহিদগী ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্লগনি হায়না হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কচাইদা নৌনা শাবা রুরেল মার্কেট সেদ অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়, শঙ্গারিবা রুরেল মার্কেট সেদ অসি মিসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিভলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর স্কিমগী মখাদা শাবনি।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কচাইদা ফংলিবা চম্প্রা অসি মালেমগী অতৈ মফমশিংদা ফংলিবা চম্প্রাশিং অসিদগী খেন্নবা মগুন কয়া য়াওবা থেংনৈ। মফম অসিদা ফংবা চম্প্রা অসিনা মহি হোম্বা অমসুং মহাউ লৈবা হেল্লি। মখা লমায় ৬তা

# বন্দ হন্দোক্লে ঃ কেএসএ

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ঃ

কেএসএনা লৈঙাক্তা থমখিবা দিমান্দ কয়া থবক্তা ওম্থোক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা থাজবা পিরকপদগী হয়েং অয়ুক পুং ৩দগী নুংথিল পু ৩ফাওবা তৌগনি তৌরম্বা জেনেরেল ষ্ট্রাইক হন্দোক্লে হায়না সিএমগা উন্নবা লোয়রগা থোরকপদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট সুখাম বিদ্যানন্দনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল চীফ মিনিষ্টরগী বঙগ্লোদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি লৈঙাক্কী ওফিসিয়েল য়াওনা কেএসএগী মীহুৎশিংগা উন্নরুরে হায়বগী পাউদম্লদুনা সুখাম বিদ্যানন্দনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা কেএসএনা পুখৎপা দিমান্দ ৪দা লৈঙাক্কা ৱারী শান্নবগী থবক অসি চত্থখিবনি।

মহাক্না হায়, ঙসিগী ৱারী শান্নবা অদুদা মমাঙ চসি কুমজা ২০১৭কী মার্চ থাদগী হৌরগা কেএসএন তান্দুনা লাক্লবা দিমান্দগী অহানবা দিমান্দ ওইনা মীতোপনা লাকহৎলবা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুয়েন্সি থাংমৈবন্দ, শগোলবন্দ, উরিপোক, কাংপোকপি, সুগ্নু, বিষ্ণুপুর, ৱাংখৈ অমদি জিরিবাম হায়রিবা কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৮ অসিদদা নত্তনা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সি খুদিংমক্তা য়েলহৌমীশিং মখা লমায় ৬তা




সনালৈবাক্কী মরুওইবা টেলিটোন নম্বরশিংঃ ঈ–পাউ পীবিনীংবশিংনা 7629854023 অমসুং 9862015179(নিউজ কোওদিনেটর), এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9620123044দা, গ্যাস অমদি ওফিসকীনা 9402247588দা পাউ পীবিবা য়াগনি